কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেবকী চৈথেং নংদুনা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৪গী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা ইমুংশিংগীদমক এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

মশাগী চহী ১২ রোমতা ঙাইরিবী এনভাইরোনমেন্টপু য়োকখৎতুনা থম্নবা হোৎনরিবী অম্বিকা লাইশ্রমনা ৱার্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা তোরবুংদা লৈবা যুমথোঙ কয়াদা মশামক্লা শেমজবা উ চারাশিং য়েন্থোকখিবা

খাঙবোক অমসুং থৌবাল এ সীদগী কোভিদকী অনাবশিং পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নবা এম্বুলেন্স অমা এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা কোভিদ ৱারিয়রশিংদা খুৎশিন্নখিবগী শক্তম

কোভিদ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী নীংশিং খুলদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ফমুং ২০ লৈগদবা কোভিদ আইসোলেসন ৱার্দ দি সী দল্লিয়ু মালেমঙানবা চংলৈনা হাংদোকখিবা

ককখ্রবা বেনিফিসরিশিংগী অখন্নবা থৌরাং অমা শেমদুনা চেঙ ফংহনবীয়ু : কে বি সী সী

ককচীং, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

দিপার্টমেন্টকী অশোয়বনা মরম ওইদুনা কার্দ ককখ্রবা বেনিফিসরিশিংদা চেঙ পীনবনি হায়দুনা কার্দ ককহৌদ্রবা বেনিফিসরিশিংদা চেঙ মশীং ৱাৎনা পীরিবা অসি খুদক্তা লেপ্পীদুনা ককখ্রবা বেনিফিসরিশিংগী অখন্নবা থৌরাং অমা শেমদুনা চেঙ ফংহনবীয়ু হায়না ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি (কেবি সী সী) না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রাইমারি মেম্বরসু ওইরিবা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাই নিলচন্দ্রনা ককচীং কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা নফসাগী বেনিফিসরি লিশীং ৩৬ রোম লৈরম্বদা দিপার্টমেন্টনা অধার লিঙ্ক মতম চানা তৌহৌদবদগী মীওই লিশীং ৫ রোমগী কার্দ ককখ্রে। হায়রিবা মীওই লিশীং ৫ রোমগী মীংদা এজেন্টশিংনা খুদোংচাবা লৌদুনা সেন্টরদগী পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা পীরকপা চেঙ অসি হৌজিক হৌজিক কার্দ পায়হৌরিবা মীওই লিশীং ৩০ হেনবা অসিদগী থা অমদা চেঙ কেজি ২/২ ককথরগা শুপ্পগী কেজি ৩/৩ খক্তা য়েনবা হায়বসি য়াম্না মরম চাদবা অমদি ককচীংগী মীয়াম্বু অপংবা শীবনি। মরম অসিনা এজেন্টশিংনা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী ৱার্দ খুদিংমক্তা চেঙ মশীং শুনা য়েনদ্রিবা অসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা ফংফম থোকপা চাকথুং অদু পীবিয়ু। লন্নাই লূপ কয়ানা কোভিদকী ৱানরবা মতম অসিদা মীয়ামদা শেল অমদি চানবা পোৎলম কয়া মতেং পাংবা অদুগুম্না লৈঙাক অসিনসু দিপার্টমেন্টনা শোয়বদগী চেঙ ফংদ্রিবা হান্না কার্দ পায়রম্বা বেনিফিসরিশিংগীসু অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎপীয়ু হায়খি।

ইরমদম অসিগী মীয়াম্নসু পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ য়েনবগী মওং অমদি ওইরিবা ফীভম অসি তরাইনা লৌবীগনু, মুন্না খন্থবীয়ু। অথুবা মতমদা ৱাৎহৌবা রেসন কার্দ শাননবা অমদি অধার সীদিং তৌনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওফিসতা তকশিনবীয়ু। অদুগা দি এস ও ককচীং, দি সী ককচীংনসু রেসন কার্দ, অধার সীদিং তৌবা, বেনিফিসরি দিজিটাইজ তৌবগী থবক অসিদা মীরাইবীগনু, চেকশিন্না প্রাইওরিটি পীবিয়ু। অমুক হন্না লৈবাক ৱাথোক ওইহনবীগনু। থমজরিবা ৱাফম অসি পোলিটিকেল এজেন্দা নত্তে, লৈবাক মীয়াম পুম্নমক্কী অমদি বেনিফিসরিশিংগী য়াইফনবনি, লৈবাক ঈংনবনি।

অরোইবদা, ঈরৈচা পুম্নমক্কী মফমদা থমজনীংবদি তমথীরবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯ অসিদগী ঐখোয় চেকশিনসি। লৈঙাক্লা পীবা মতম মতমগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকমিন্নসি। য়ারিবমখৈ য়ুমদগী মপান থোকপীগনু। থোক্তবা য়াদ্রবসু কাঙলোন চুম্না ফেস মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা অমদি খুৎশা তরু-তনান্না শেংনা হামদোক্তুনা সেনিটাইজ তৌবা কাউবীগনু। চেকশিনবা হায়বসিনা লাইচৎ অসিবু মুখৎনবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থেনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোহল, হান্নগী কাউন্সিল্লর এম মেমচা, এম উমা অমসুং ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী থৌপুবা খরসু শরুক য়াখি।

কোভিদ ৱারিয়রশিংগীদমক লৈঙাক্লা পোলিসি অমা শেমহন্নীংই : এম এল এ সুর্য্যকুমার

থৌবাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

কোভিদনা মরম ওইরগা মপামমা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংগীদমক লাইরিক তম্বা য়াওনা শেলগী ওইবা মতেং তৌগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকপীবা অসি য়াম্না ফজবা পোলিসি অমনি। কোভিদকীদমক কখোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী মতেং পাংগনি হায়দুনা মফম খুদিংমক্তগী থোরল্লিবা কোভিদ ৱারিয়রশিং অসিগীদমকসু লৈঙাক্লা করিগুম্বা পোলিসি অমদি শেমহন্নীংই হায়না খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

অথোকপম অৱাং লৈকায় লাইবুংদা পাঙথোকপা খাঙবোক অমদি থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোভিদকী অনাবশিং পুথোক পুশিন তৌবদা মতেং ওইনবা এম্বুলেন্স অমা লোঞ্চ তৌদুনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনী অসিগী ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌরিবা কোভিদ ৱারিয়রশিংদা এম্বুলেন্স খুৎশিন্নবগী থৌরমদা মথক্কী ৱাফম অসি এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা হায়খিবনি।

এম এল এ সুর্য্যকুমারনা মখা তানা হায়খিবদা কোভিদকী মীপাইনরিবা মরক অসিদা কখোকপগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক মতেং পাংগনি হায়দুনা থোরল্লিবশিং অসি লাইবক থীবা থৌদোক থোক্তবসু ওইসনু। করিগুম্বা মখোয়সু লায়না অসিনা নাবা য়াওরল্লবদি করিগুম্বা হীরম খরদা লৈঙাক্লা মতেং পাংহন্নীংই। য়াম্না কুপ্না য়েংশিনহন্নীংই হায়রদুনা লৈঙাক্লসু শোয়দনা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়খি।

হৌজিক্তি পুল্লপ পুল্লপ পোজিটিভ ওইবসু ময়াম অমা য়াওরকপনা থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা কোভিদকী চৈথেং ফংলবা আইসোলেসন ৱার্দশিংদা ময়ূমদগী গাড়ী পুদুনা চৎপসু ফরক তাবশিংনা টেষ্টিং সেন্টরদগী ময়ূম, ময়ূমদগী আইসোলেসন ৱার্দ ফাওবা চৎপদা গভর্ণমেন্টনসু মেনশিনবা ঙমলক্তবা মরম্না কোভিদকী চৈথেং ফংলবশিংগীদমক অখন্নবা ওইনা ঙসিগী এম্বুলেন্স অসি লোঞ্চ তৌবনি হায়রদুনা এম্বুলেন্সশিং অসিদা ইমর্জেন্সিগী ওইবা ইক্বিপমেন্টশিংসু হাপকনি অমদি অথুবা মতমদা মীয়ামগীদমক এম্বুলেন্স অমসু লোঞ্চ তৌনবা শেম শারি হায়খি।

থৌবাল অমদি খাঙবোক এ সীদা লৈরিবা ভোলুন্টিয়র ময়াম্নসু মতেং পাংবীদুনা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়রদুনা হৌজিক মফম খুদিংমক্তা কোভিদকী লাইচৎ হেনগৎলক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় খুদিংমক্লা মাস্ক উপ্পা, সেনিটাইজর মতম চানা শীজিন্নবচিংবা চৎন-কাঙলোনশিং নিংথিনা ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা এ সী অসিদগী অমদি লমদম অসিদগী কোভিদ লায়না অসি মুখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা মীয়ামদা অপীল তৌখি।

মীয়ামদা এম্বুলেন্স খুৎশিন্নরবা তুংদা থৌবাল শাবলতোংবদা কোভিদ ভেক্সিন কাম্পগী থবক চথরিবা মফমদসু এম এল এ মশা চৎতুনা য়েংশিনখি অমদি শেলগী ওইবা মতেংসু পাংখি। লৈঙাক্কী এস ও পিশিং ঙাক্লা পাঙথোক্লিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌবাল অমদি কাংপোকপী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী লাকপা কোভিদ ৱারিয়রশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

উ-চারাশিং থাখ্রে

ককচীং, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচীংগা পূন্না খূৎশম্নদুনা ৱার্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ককচীং মখা লৌকোল ইরুম নিংথৌ পরেংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ রামেশ্বর অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী দি গাংমৈ অনীনা লুচিংদুনা উ চারা কয়া থাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি মালেমদা হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী খল অসি ঙাক্তুনা থম্নবা ঐখোয় খুদিংমক্লা উ থাবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। মরম অসিনা মীয়াম্না উ অমা য়ানদ্রিঙৈ উ অদুবু মহুৎ শিন্নবা অতোপ্পা উ পান্বীশিং থাবগী হৈনবী অমা থল্লসি হায়খি।

উথাদুনা শিৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

এনভাইরোনমেন্ট কনবা লূপ (ঈ কে এল) হৈরোক্লা ৱার্ল্ড এনভাইরেনমেন্ট দেগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী চথদুনা লাকপা উ থাবা অমদি শিৎ-শেংবগী থৌরম ঙসিসু পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থৌরম অসি পাক চাউনা পাঙথোকখিদে। অদুবু মোৎশিল্লক্লিবা ফীভম অসি খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা ঈ কে এলগী মেম্বরশিংনা ঙসিগী অচম্বা থৌরম অসি পাঙথোকখি। লমদম অসিগী মীওই খুদিংমক্লসু অকোয়বগী ফীভম কনবা হায়বসি ইশা ইশাগী থৌদাংনি খনবীদুনা অঙম্বা উ অমমমতং ওইরবসু থাবীনবা ঈ কে এলগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়না এনভাইরোনমেন্ট কনবা লূপ হৈরোক্কী কো কনভিনর এল জুগোল মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙ পীখ্রে

ককচীং, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ থেংননবগীদমক ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা কোভিদ-১৯গী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা ইমুংশিংদা মতেং পাংবগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসিসু ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৪দা চেঙ অমদি চান-থক্লবা য়েন্থোকখ্রে।

ৱার্দ ৱার্দকী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিংগী খূথাংদা ঙসিগী তেংবাঙ পীবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি হায়বা থিদনা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈরিবা কোভিদ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা ইমুংশিংদা তেংবাঙ পীদুনা লাকপগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসিগী তেংবাঙ অসিসু য়েন্থোকপনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পান্থেদি কোভিদ ভেক্সিন মতম চানা কাপথোকপনি। মীয়ামসু কোভিদ ভেক্সিন শোয়দনা কাপথোকপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

নেসনলগী থাক্তা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

এন জি কোলেজগী আই ক্যু এ সীনা ঈ এন ভি আই এস হব, দাইরেক্টোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগা খূৎশম্নদুনা ৱার্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ইকো সিষ্টম রেষ্টোরেসন হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা নেসনলগী থাক্তা ৱার্কশোপ অমা ওনলাইনগী খূথাংদা পাঙথোকখ্রে হায়না এন জি কোলেজগী প্রিন্সিপাল এল মঙলেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱার্কশোপ অদুদা এন জি কোলেজগী প্রিন্সিপাল এল মঙলেম্বনা চীফ গেষ্ট, ভাইস প্রিন্সিপাল অশোক আর সীনা প্রসিদেন্ট অমসুং এন জি কোলেজ টিচরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল বেঞ্জামিন কোমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ অদুদা মণিপুর অমদি মপানগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজশিংদগী পূন্না দেলিগেট ১২৮না শরুক য়াখি। ঈ এন ভি আই এস হবকী কোওর্দিনেটর ডা. এল বিজেন অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ এনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সকী ঐচ ও দি ডা. কোইজম কে কে মনিভুসননা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

পল্লেলদা পাক শন্না টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে

ককচীং, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা লৌখৎলক্লিবা পাক শন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী শরুক অমা ওইনা ককচীং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী পল্লেল জুনিয়র হায় স্কুলদা চথখ্রে।

ময়াংলম্বম রাজেশ্বর, এম এল এ কক্চীংগী লুচিং মখাদা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, পল্লেলগী মেম্বরশিং অমদি পল্লেল পি ঐচ সীগী এম ও ঈ গোপেশ্বরনা লুচিংবা মেদিকেল টিম অমনা ৱাই ভি এ, ৱাই দি ও, এস দি ও পল্লেলগী থৌমীশিংনা তেংবাঙদুনা চথখিবা মাস টেষ্টিং অদুদা মীওই ১০০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মখোয়শিং অদু মনাক নকপা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা থমখ্রে হায়রি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রামেশ্বরনা হায়, কোভিদ-১৯ থেংননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থবক থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি পাক শন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোকপগী থবক অসি লৌখৎলিবনি। টেষ্ট তৌথোক্তুনা ঙান্না খঙদোকপা, ভেক্সিন কাপথোক্তুনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা হায়বা অসি য়াম্না মরু ওই। ভেক্সিন দোজ অনী কাপথোকখ্রবশিংদা কোভিদকী অনাবনা শোকহনগদবদগী চাদা ৮০ কনবা ঙম্মী হায়বা অসি নীংশিংবীদুনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

চহী নৌরিবী অম্বিকানা উ চারা কয়ামরুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

মালেমগী মফম খুদিংমক্তা পাঙথোক্লরিবা ৱার্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ঙসি মশাগী চহী ১২ খক্তং ঙাইরিবী মতম পুম্নমক্তা এনভাইরোনমেন্টপু য়োকখৎতুনা থম্নবা হোৎনরিবী অম্বিকা লাইশ্রমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোরবুংগী য়ূম য়ূমদা চঙদুনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা মশানা শেমজবা উ চারা কয়ামরুম য়েন্থোকপগা লোয়ননা উ চারাশিংসু থাখ্রে।

কোভিদ-১৯গী অচৌবা চৈথেংনা মরম ওইরগা লাইরিক তম্বা চৎপসু য়াদবা মরম্না য়ূমদা লাইরিক তৌবা লোইরগা অহাঙবা মতমশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা উ চারাশিং অসি থানবা শেমজবনি হায়রদুনা মহাক্লা শেমজরিবা উ চারাশিং অসি মীয়াম্না থাবীদুনা অফবা নুংশিৎ চেনবা ওইরসনু হায়বগী পান্দমদা উ চারাশিং অসি য়েন্থোক্তুনা থাজিনজবনি হায়না অম্বিকানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অসি মালেমগী এনভাইরোনমেন্ট কনবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিনা লাকপগা ইরোয়ননা উ চারাশিং অসিনা মপূং মরৈ ফারক্তুনা অফবা নুংশিৎ চেন্দুনা মালেম অসিদা মীপাইনরিবা কোভিদ-১৯সু মাঙখিবা ওইরসনু হায়নসু অম্বিকা লাইশ্রমনা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি অম্বিকানা হৌখিবা চহীশিংদসু মশাগী পোক্লফম লমদম হুইদ্রোমদসু তোঙান তোঙানবা উ চারা কয়ামরুম শেমজদুনা মীয়ামদা য়েন্থোকপা অমদি মফম খুদিং চৎতুনা এনভাইরোনমেন্টবু কন্নবগী পান্দমদা উ চারা কয়ামরুম থাদুনা লাকখিবনি। উ চারা কয়ামরুম শেম্বতনা মথৌদাং ওইজরিবা অম্বিকানা শেমজবা উ চারা কয়ামরুমসু মমাঙথক্তা মশক খঙদবশিংনা নৈনথৎপীরম্বগী থৌদোক কয়াসু লৈখ্রে হায়রি।

অম্বিকা লাইশ্রম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হুইদ্রোম ময়ায় লৈকায়দগী লাইশ্রম প্রেম অমসুং হুইদ্রোম অনিতাগী মচানুপীনি হায়রি।

মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা মখল কয়াগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না চথরকপা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়না অমুকোগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অমুকোনা ক্বাকৈথেল, শঙাইপ্রৌমমাঙ লৈকায় অমদি মোংশাঙ্গৈগী মরক্তা লৈরিবা ক্লবশিংগী অপূনবা অমা ওইরিবা চীংফু রোদ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (ক্রুকো) গা খূৎশম্নরগা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বীদা লৈবা পিতম্বরা ইংলিস স্কুল, মেকোলাদা লৈবা মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং মালোমদা লৈবা মালোম মেগা হায় স্কুলদা হাংলিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অহুমদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্ক মতেং পাংখ্রে। লোয়ননা ক্রুকোনা কোনবা তোঙান তোঙানবা লৈকায় ১১গী য়ূম ১৪০দা আলু, তিলহৌ, থুম অমদি মোরোক্লচিংবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিংসু মতেং পাংখ্রে।

ক্রুকোদা য়াওরিবা ক্লবশিংনা কোনবা মফমশিংদা হায়বদি ৱাইটৱে ক্লব ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়না কোনবা লৈকায়দা লৈরিবা লায়রবা য়ূম ১৩, এন এস ও হৈনৌ খোঙনেম্বী, নোংশাবনা কোনবা মফমদা লৈরিবা লায়রবা য়ূম ১৩, আই এস এ অমদি ৱাই দি সী সী এম এল, ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়না কোনবা মফমদা লৈরিবা লায়রবা য়ূম ২৬, কে এ এল ৱাই সী ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়না কোনবা লায়রবা য়ূম ১০, এস আই দল্লিয়ু এ শঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়না কোনবা মফমদা লৈরিবা লায়রবা য়ূম ১৩, সিকো অমদি দাকা হাওবম মরক লৌরেম্বম লৈকায়না কোনবা মফমদা লৈরিবা লায়রবা য়ূম ২৬, এম ৱাই এ ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়না কোনবা লৈকায়দা লৈরিবা লায়রবা য়ূম ১৩, ৱিল কোঞ্জেং লৈকায় মোংশাঙ্গৈনা কোনবা মফমদা লৈরিবা লায়রবা য়ূম ১৩ অমসুং মোংশাঙ্গৈনা কোনবা মফমদা লৈরিবা য়ূম ১৩নি।

ক্রুকোদা য়াওরিবা ক্লবশিং অসিনা হন্দক মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ হেক হৌরকপদগী কোভিদতগী মীয়াম ঙাকথোক্নবগীদমক মখল মখা কয়াগী থবক মরু ওইনা লৈকায় লৈকায়দা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকপা, মীয়াম্বু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবগীদমক ভেক্সিন কাপথোকপা, কোভিদকী অনাবা কয়া লায়েংনবা হোৎনবদা মতেং পাংবা অমদি লোকল লেভেলগী ওইবা কোভিদ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স শেমদুনা মখা তানা মীয়ামগী মতেং পাংননবা হোৎনবা অসিনচিংবা কয়া তৌদুনা লাক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মীফম পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংগী ফীভম খন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) : ফার্মরস জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুরগী লৌমী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা ওনলাইন্দা পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা খন্নখ্রে। মীফম অসিদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তগী লৌমীশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন সিংহজিৎনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুর লৌমীশিংগী লুচিংবা ক্ষেত্রিময়ূম শান্তনা মরু ওইনা মণিপুরগী লৌমীশিংনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতম অসিদা থেংনরিবা অৱাবশিংগী মতাংদা শুগাইবা ৱাফম কয়া থমখি। মহাক্লা থেংনরিবা লৌমীশিংগী অৱাবশিং অসি কোকহনবা ঙম্নবা লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনবগী তঙাইফদবা ৱাফম থমখি।

লৌসালগী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামনিনা লৌমীশিংনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা চার্টর ওফ দিমান্দ অমা শেমদুনা মেমোরেন্দম অমা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পীননবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। জিরিবাম লৌমী মরুপকী লুচিংবা বিরেননা ইম্ফালদগী তাম্না লৈরিবা খুঙ্গংগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং পল্লদুনা মখোয়গী দিমান্দশিং হাপ্পীনবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা ফার্মরস জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী কনভিনর হাওবিজম ইবোবীনা চার্টর ওফ দিমান্দ অমদি মেমোরেন্দম দ্রাফ্ট তৌনবা সব কম্মিটি অমা শেম্নবা ৱাফমসু থমখি হায়রি।

‘কার্দ পায়দ্রগদি চেঙ পীরোই হায়বগী অকিবা মীয়ামদা পীবিগনু’

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

ৱাংখৈ এ সীদা ওক্রম হেনরিনা এম এল এ ওইরিঙৈ মতমদা লৈখিবা ফেয়র প্রাইজ শোপশিংগী এজেন্টশিংনা কোভিদকী অহানবা ৱেভ লাকখিবা মতমদা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙশিং য়ূমথোং খুদিংগী মীকোক মশীং থিরগা য়েনখিবনি। হৌজিক এ সী অসিগী এম এল এ ৱাই ইরাবোতকী মতম অসিদা নৌনা এজেন্ট ওইরক্লবশিংনা কার্দ পায়দ্রবদি চেঙ পীরোই হায়বগী অকিবা মীয়ামদা পীরিবা অসি পীবিগনু হায়না এ সী অসিদা হান্না এজেন্ট ওইরম্বশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হান্না ৱাংখৈ এ সীদা ফেয়র প্রাইজ শোপকী এজেন্ট ওইরম্বশিংনা পূন্না পাঙথোকখিবা মীফম অমগা মরী লৈননা মীদিয়াদা থাদোরকপা ভিদিও অমদা এ সী অসিগী এজেন্ট নম্বর ২৪৭কী সব এজেন্ট চোংথাম সঙ্গিতানা হায়খি, কুমজা ২০২০দা কোভিদকী অহানবা ৱেভ মনুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরকখিবা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ অসি গোদাউন্দগী এজেন্টশিংনা চিংথোকপা মতমদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসর, ইন্সপেক্টর অমসুং দিপার্টমেন্টকী অতোপ্পা ওফিসল কয়া য়াওনা ফোটোনচিংবা লৌদুনা ওফিসল ওইবা রেকোর্দ থল্লগা লাকখি। অদুগা য়েনবা মতমদসু ওফিসলশিংনা লাক্লগা য়েংশিনখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মীয়ামদা চেঙ ফংহনখি নৎত্রগা ফংহন্দে হায়বা রিপোর্ট লৈবা ঙাক্তনি।

নফসাগী কার্দ রিন্যু তৌবগী মতাংদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কার্দ মশীং শুনা এজেন্টশিংদা পীরকখিদে। কার্দ খরনা পীরগা খরনা পীদবগী ৱাফম লাক্লবদি মীয়ামদা হেন্না নুংঙাইতবা থোক্কনি হায়দুনা কার্দশিং অদু পূন্না শুরবা মতমদা য়েন্থোক্লবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী খঙহল্লকপনা কার্দশিং অদু য়েন্থোক্তবনি। অদুবু চেঙ য়েনবা মতমদদি ওনলাইন্দা য়াওরিবা লিষ্টতা অদুমক চেঙশিং শুনা ফংহনখি। অৱাৎপা চেঙ ফাওবা ওপন মার্কেট সেলদগী লৈরগা মীয়ামদা ফংহনখিবনি। মতম অদুদা চেঙ ফংখিদবশিংনা খূৎয়েক পীরম্বগী রেকোর্দ লোইনা লৈ। হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা অৱাই অখুম তৌনদুনা লৈবগী মতম নত্তে। অমনা অমগী মতেং পাংনরগা মীয়াম্বু অৱাবা তাদনবা হোৎনগদবা মতমনি। কোভিদ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শূফম নোম্ফম লৈত্রবা, খম থেংনা ৱানরবা লায়রবা মীয়ামদা কার্দ পায়দ্রবদি চেঙ পীরোই হায়বগী অকিবা পীবগী থৌওং তৌবীগনু। মমাঙদা লৈরম্বা এজেন্টশিংনা মীয়ামদা অচান মীরাই নাইদনা চেঙশিং নিংথিনা য়েনখিবা অদুগুম্না নৌনা এজেন্ট ওইরক্লবশিংনসু মীয়ামদা চেঙশিং নিংথিনা য়েনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) :

বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লমলাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ইবোমচাগী মখাদা সঞ্জেনবম কম্যুনিতি হোল অমদি তখেল সঞ্জেনবম হায় স্কুলদা হাংবা কম্যুনিতি আইসোলেসন সেন্টরশিংদা শেল য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে। লোয়ননা কন্টেমন্টে জোনশিংদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা পেসেন্টশিংগী ইমুং মনুংশিংদসু চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে হায়রি।

লোক্তাক কনগে হায়রবদি নম্বুল হান্না কনবা মথৌ তাই: কেবি

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস):

লোক্তাক পাৎ কনগে হায়রবদি নম্বুল তুরেল হান্না কনবা মথৌ তাই হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেসকী এগজিক্যুটিব মেম্বর ওইবতা নত্তনা নাউরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটসু ওইরিবা এস কেবিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নাউরিয়া পাখঙাকপা এ সীদা পাক শন্না পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমদা এস কেবিনা ফোঙদোকখিবনি। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা পাঙথোক্লবগুম মোংশাঙ্গৈ কনবা লূপ অমসুং লংথবাল দিভেলপমেন্ট কম্মিটি অনীনা পুন্না শীন্দুনা এ সীদসু ৱার্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা ১০০ রোম থাখি।

কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লগা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস কেবিনা হায়খিবদা, নম্বুল তুরেল কনবা হায়বসি লোক্তাক পাৎ কনবনি। লোক্তাক পাৎ কনবা হায়বসি মণিপুর কনবনি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা থুমহী চেন্দবা পাৎ ওইরিবা লোক্তাক পাৎ অসি কনগে হায়রবদি নম্বুল তুরেল হান্না কনবা মথৌ তাই। নম্বুল তুরেল কন্দনা লোক্তাক পাৎ কনবা ওইথোক্তে। লোক্তাক পাৎ কনবা ঙমদ্রবদি মণিপুরদা ইনভাইরনমেন্ট কনবগী ৱাহন্থোকসু লৈরোই। মরম অদুনা মোংশাঙ্গৈ কনবা লুপনা ‘সেভ নম্বুল সেভ ইনভাইরনমেন্ট’ হায়বা থিমদা মীৎয়েং থমদুনা অকনবা খোঙজঙ চঙশিল্লক্লিবনি। হন্দক্কী ইনভাইরনমেন্ট দে অসিগা মরী লৈননা ‘শংহল্লসি নাউরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্র’ হায়বা থিমদা উ চারা থাবগী থবক অসি পায়খৎপা হৌবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঙসি নাউরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থারিবা উ চারা ১০০ রোম অসি লাক্কদৌরিবা চহী ১০ অসিদা মহৈ চানবা হোৎনগনি। উশিং অসি হিংহন্নবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চঙগনি। অহল-লমনশিংনা থারম্বা উপাল-ৱাপাল কনবা অমদি অনৌবা উথাজিন্দুনা তুংগী মীরোলদা অশঙবা নাউরিয়া এ সী অমা খুদোল তল্লম্বা হায়বসি ঐগী অমত্তা ঙায়রবা মঙলাননি হায়নসু এস কেবিনা ফোঙদোকখি।

ময়াংলাংজিংদা কোভিদ আইসোলেসন সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস):

কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবগীদমক্তা লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা এদ্যুকেসন, ফিশরি অমসুং কাদাগী মিনিষ্টর সোরোকখাইবম রাজেনগী মীৎয়েং মখাদা ময়াংলাংজিং তামাং দিভেলপমেন্ট কম্মিটি অমদি ময়াংলাংজিং য়ুথস লাইব্রেরি ক্লব অনীনা খুৎশম্নদুনা হৌখিবা জুনগী ১দা ভিলেজ লেবেল কোভিদ টাস্ক ফোর্স শেম্বগা লোয়ননা ময়াংলাংজিং গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা কোভিদ আইসোলেসন সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে হায়না ময়াংলাংজিং য়ুথস লাইব্রেরি ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি সুন্দর খংজ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ময়াংলাংজিং গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল অসিদা হাংদোক্লিবা কোভিদ আইসোলেসন সেন্টর অসিদা হৌজিকমক্কী ওইনা পেসেন্ট ১৯ লায়েংলি। সেন্টর অসি হাংবদা চঙবা পোৎলমশিং মিনিষ্টরনা পীবিরকপগা লোয়ননা পেসেন্টশিংগী ব্রেকফাষ্টকীদমক অহানবগী ওইনা লুপা ১০,০০০সু পীবিরকখ্রে। মখা তানসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মিনিষ্টরনা সোরোকখাইবম রাজেননা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি। লোয়ননা কোভিদ টাস্ক ফোর্স অসিনা হনবা লৈতনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা অঙম্বা থৌদাং লৌখিগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

জিরিবামদা মাস টেষ্টিং তৌবদা মীওই ৪৫ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু ঙসিদগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, জিরিবামগী রেলৱে প্লেটফোর্ম নম্বর ১, আই বি লৈকায় কম্যুনিতি হোল অমদি লৈশেম ক্লব কামরঙ্গনচিংবা মফমশিংদা মাস টেষ্টিং তৌখ্রে। মাস টেষ্টিং অদুদা পূন্না মীওই ৪১০ রোম টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪৫ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। লোয়ননা জিরিবামগী সী এম ও ডা. ঈ ওকেন্দ্রোনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না হয়েংসু মখা তানা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মাস টেষ্টিং তৌবগী থবক চথখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নীংশিং খুলদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা ফমুং ২০ লৈগদবা কোভিদ আইসোলেসন ৱার্দ অমা জিরিবামগী দি সী দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা ঙসি হাংদোকখ্রে। কোভিদ আইসোলেসন ৱার্দ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা জিরিবামগী এস পি এ ঘনশ্যাম শর্ম্মা, চীফ মেদিকেল ওফিসর ঈ ওকেন্দ্রো অমদি আইসোলেসন ৱার্দগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা জিরিবামগী দি সী দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী কোভিদ আইসোলেসন ৱার্দ অসি হাংদোকপনি।

/ DONATION TO CM RELIEF FUND

Sahu Vikas Mandal Mantripukhri donated Rs. 1 Lakh 21 thousand at CM Relief fund on 4th June 2021. Shivnath Prasad Sahu, President, Sahu Vikas Mandal; Manoj Prasad Sahu, General Secretary, Sahu Vikas Mandal and along with other Members.

Sd/- **Manoj Prasad Sahu**,
General Secretary, Sahu Vikas Mandal

HL-P/9808/6